অহানবা মণিপুর ষ্টেট ইনভাইটেস্নেল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ ২০২০

# জুনিয়র বোইজ ৬০ কে জিগীদা থোঙাম লিনিনসন মৈতৈনা রোসনবু মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩০(ঐচএনএস):
মণিপুর এমেচর বোক্সিং এসোসিএসননা শীন্দুনা খুমন লম্পাক বোক্সিং এরেনাদা চথুরিবা অহানবা মণিপুর ষ্টেট ইনভাইটেস্নেল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ (মেন্স এন্দ ৱিমেন্স) ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা সেমিফাইনেল বাউটতা জুনিয়র বোইজ ৬০ কে জিগীদা থোঙাম লিনিনসন মৈতৈনা রোসনবু মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে।



ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা সেমিফাইনেল বাউটশিংদা জুনিয়র বোইজ ৪৬ কে জিগীদা দেনিসন মৈতৈনা অৰুংসি জিংগোবু, ৪৬ কে জিগীদাদা ঙাইরাংবম জুপিতর সিংহনা লাইশ্রম য়াইখোম্বাবু, তখেল্লম্বম খম্বতোন সিংনা থৌনা তেম্সুববু, ৪৯ কে জিগীদা লাইশ্রম দিলিপকুমারনা মালেম তেম্সুবাবু, লৈবোন বিলাত কোমনা খাইদেম মিকনেস মৈতৈবু, ৫২ কে জিগীদা অরিবম সাকিলনা সেত্রো কামলেনহৌ কোমবু, সিনাম অল্লর সিংহনা থোকচোম রোবেন সিংহবু, ৫৫ কে জিগীদাদা নাওরেম বেন্সন সিংহনা এন জি লৈশেম্বা সিংহবু, বিশ্বামিত্রা সিংহনা মোইরাংথেম পুন্সিবা সিংহবু, ৫৮ কে জিগীদা খুঙেদাংবম বিকেন সিংহনা হিজম মোচা সিংহবু মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে।

জুনিয়র বোইজ ৪৬ কে জিগীদা বিসো রোংখতিনসন কোইরেংনা মাইবম অমরজোসি মৈতৈবু, ৪৬ কে জিগীদা থোকচোম লেনজাওবা সিংহনা হুইদ্রোম লাম্হোইবু, ৪৮ কে জিগীদা মালেমঙানবনা ঙাংবা লোংজমবু, ৪৮ কে জিগীদা নিলাকান্ত সিংহনা পুসম য়াসিনবু, ৫০ কে জিগীদা নিংথৌজম সোমানন্দ সিংহনা লানঙম্বা সিংহবু, ৫২ কে জিগীদা ওক্রম গুংনা রোনালদো য়ুমখাইবমবু, ৫২ কে জিগীদা কিসননা লাইশ্রম নোংসাবা সিংহবু, ৫৪ কে জিগীদা এল লুহেননা অভিজিৎ মৈতৈবু, ৫৪ কে জিগীদা য়েংখোম হেনরি সিংহনা লোংজম শ্যামসন মৈতৈবু, ৫৭ কে জিগীদা কে রোসননা য়ুম্নাম দয়ানন্দ সিংহবু, ৫৭ কে জিগীদাদা লোইতোংবম রোবার্তনা ইরাইঙম চোথেবু, ৬০ কে জিগীদা চীংলেম্বা মোইরাংথেমনা থোঙাম বিকিরাজ সিংহবু, ৬৩ কে জিগীদা তুলাসবালনা থোঙাম বিকিরাজ সিংহবু, ৬৬ কে জিগীদা ময়েংবম নিলমনা এন জেক্সনবু মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে।

য়ুথ এন্দ ইলাইট মেন্স ৪৯ কে জিগীদা এম দি নিজামুদ্দিননা এল রোনালদো সিংহবু, ৪৯ কে জিগীদা হৱাইবম বোনেল সিংহনা য়ুমলেম্বম দোকসনবু, ৫২ কে জিগীদা সঞ্জরাম সুরেসনা পেবম সুরঞ্জয় সিংহবু, ৫২ কে জিগীদা ভিমজিৎ সিংহনা নোংথোম্বম অমর্জিৎপু, ৫৬ কে জিগীদা মোইরাংথেম থোইবানা রাহুল কুমারবু, ৫৬ কে জিগীদা নামৈরাকপম প্রিয়োব্রতানা নৱাং লোইতোংবমবু মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে।

# মণিপুর ক্লব ক্রিপসা এফ সীনা বরোদা ফুটবোল একাদেমি মায়থীবা পীদুনা গ্রুপ এগী মকোক্তা লৈখ্রে

বেঙ্গালুরু, জন্যুৱারী ৩১ (এজেন্সী):
কর্নাটকাগী কোনুং বেঙ্গালুরুদা চথুরিবা হিরো ইন্দিয়ন ৱিমেন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ 'এ'গী অহুমশুবা রাউন্দগী মেচতা মণিপুরগী ক্লব ক্রিপসা এফ সীনা বরোদা ফুটবোল একাদেমিবু পাঞ্জল ৪-০দা মায়থীবা পীদুনা গ্রুপ 'এ'গী টিম ৬কী পোইন্ট টেবলদা পুন্না পোইন্ট ৯ ফংলগা মকোক থংবা ঙমখ্রে।



নীংশিংবা য়াই, ক্রিপসা এফ সীনা ইন্দিয়ন ৱিমেন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা রাউন্দদা কর্নাটকাগী কিকষ্টার্ট এফ সীবু মায়থীবা পীখিবনি। মদুগী মতুং অনীশুবা রাউন্দদা লীগ অসিগী মমাঙ সিজনগী চেম্পিয়ন ওইরিবা টামিল নাদুগী ক্লব সেথু এফ সীবু মায়থীবা পীদুনা ফজবা ঙমদুনা লাকখি।

ঙসিগী ক্রিপসানা বরোদা ফুটবোল একাদেমিগা শান্নখিবা মেচ অদু অহানবা হাফতা ক্রিপসাগী শান্নরোয়শিং অদুনা মায়োক্নবা টিম অদুগী মায়কৈদা অহেনবা মশান্না উৎপা ঙল্লবসু পাঞ্জল ওস্থোকপগী খুদোংচাবা ফংদনা লাকখি।

অনীশুবা হাফ শান্নবা হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ মেচকী ৫৭শুবা মিনটতা ক্রিপসাগী মায়কৈদগী রোজনা টিম অদুগী একাউন্ট হাংদোকপা ঙমখি। পাঞ্জল চল্লবা মতুং এটেক তৌবগী চাং হেঞ্জিল্লকখিবা ক্রিপসানা চথুরকখিবা এটেক অমদা বরোদা ফুটবোল একাদেমিগী গোল কিপ্পর অপসান আসিক্কী অশোইবা অমগী খুদোংচাবা লৌরগা ক্রিপসাগী অঞ্জু তমাংনা মেচকী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনখি।

ইকুই কুইদনা ক্রিপসাগী শান্নরোয়শিংনা পুশিল্লকপা বোল অমা বরোদা ফুটবোল একাদেমীগী দিফেন্দরশিংনা মখোয়গী পেনাল্টি এরিয়া মনুংদা ফাও তৌরুবদগীদমক ক্রিপসানা পেনাল্টি কিক অমা ফংখি। খুদোংচাবা অদু মণিপুরগী ক্লব অদুগী শান্নরোয় রতনবালানা পাঞ্জল ওস্থোক্তুনা শান্নবগী ৭৯ শুবা মিনটতা ক্রিপসানা বরোদা ফুটবোল একাদেমিবু পাঞ্জল ৩-০দা মাংজিল থারগা লৈখি।

শান্নবগী লেমহৌবা মিনট ২০ ফাদ্রবা মতম অদুদা বরোদা ফুটবোল একাদেমীগী শান্নরোয়শিং পাঞ্জল হন্দারুবগী থৌনা মাংখি। মদুগী খুদোংচাবা লৌদুনা ক্রিপসানা চথুরকখিবা মখা তাবা এটেক অমদা ইঞ্জুরি টাইমগী অনীশুবা মিনটতা রঞ্জননা চনুনা য়াম্না ফজবা হেদ্দিং অমগী মতাংদা টিম অদুগী মরিশুবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা চাওনা মায় পাকপা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী গ্রুপ 'বি'গী ঙসি শান্নখিবা মেচ অমদা কেনক্রে এফ সীনা বিদেস ইলভেন্ট স্পোর্টস ক্লবপু পাঞ্জল ৩-১দা থোইদুনা গ্রুপ অদুগী টেবলদা ২শুবা পোজিসনদা লৈরি।

# মণিপুর য়ুথ লীগ ২০২০দা শরুক য়াগদবা মেচ ওফিসলশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩১(ঐচএনএস):
ক্লাসিক গ্রুপ ওফ হোটেলনা স্পোন্সর তৌরগা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা অহানবা ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা আর কে জয়চন্দ্র সিংহ মেমোরিএল মণিপুর য়ুথ লীগ ২০২০গী মেচ ওফিসলশিং খনখ্রে।

খল্লবা ওফিসলশিং অদুদি মেচ কমিস্নরদা এস জেমসকুমার সিংহ, সী ঐচ কৈল্যানি চনু, আই জয়কুমার অমদি কে মোসেসনি। রেফ্রিদা এন অমর্জিৎ সিংহ, এল রাজা মীতৈ, এ দিক্কু, এস প্রেমকুমার, এস ঐচ জোসি, এম দি অনুস খান, এম দি ৱাসির খান, এম ইবোমচা, দল্লীয়ু ইবোয়াইমা, এম দি অমির খান, এল ভুবোল, এস পুন্সিবা, এন চীংলেম্বা মঙাং, ৱাই দেবচান্দ, ই দেবলা দেবী, এম রোসিনি চনু, আর দি হরিনুংদাম, চীম চীম সের্তো, বিদ্যাপতি য়ুম্নাম, এস লিতনবালা চনু, রিচেল ময়াংলম্বম অমদি এন বিজেননি।

খল্লবা মেচ ওফিসলশিং অসি লাক্লিবা ফেব্রুৱারী ৪গী নুংথিল পুং ২দা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরী এল নবা সিংহদা রিপোর্ট তৌরক্নবসু খঙহল্লক্লি।

# মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০২০ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩১(ঐচএনএস):
ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা লাক্লিবা ফেব্রুৱারী ৭তগী হৌদুনা খুমন লম্পাক আর্টিফসল টর্ফ গ্রাউন্দদা চথুগদবা '১৩শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০২০' পাঙথোক্লগনি।

লীগ অসিদা টিম ১৫না শরুক য়াদুনা শান্নগৌরিবনি। টিমশিং অদুদি নেরোকা এফ সী শঙাকফম, ত্রাও এফ সী ক্বাকৈথেল, ৱাই পি ঐচ য়ু ললাম্পুং মখোঙ, কে এল এ এস এ কৈনৌ, ৱাই য়ু এল সী উখ্রুল, দি এম আর এ ও অৱাং সেকমাই, য়ু কে বি চুরাচান্দপুর, এইম খাবম, এস এস য়ু শীংজমৈ, এ এফ সী থৌবাল অথোকপম, এন এ সী ও নম্বুল মপাল, জি এস সী শুগনু, এম এ কাংপোকপী, নিসা থাংমৈবন্দ অমদি এস য়ু শগোলবন্দনি।

| 13th MANIPUR STATE LEAGUE 2019-20 FIXTURE | | | |
|---|---|---|---|
| Date | Time | M No. | Teams |
| 07-02-2020 | 01:45 p.m. | 1 | YUFC Vs SU |
| 09-02-2020 | 12:15 p.m. | 2 | KLASA Vs NISA |
| | 02:15 p.m. | 3 | DMRAO Vs TRAU FC |
| 10-02-2020 | 12:15 p.m. | 4 | UKB Vs MUVANLAI |
| | 02:15 p.m. | 5 | NEROCA FC Vs GSC |
| 11-02-2020 | 12:15 p.m. | 6 | AIM Vs NACO |
| | 02:15 p.m. | 7 | SSU Vs AFC |
| 12-02-2020 | 12:15 p.m. | 8 | KLASA Vs YPHU |
| | 02:15 p.m. | 9 | DMRAO Vs SU |
| 13-02-2020 | 12:15 p.m. | 10 | UKB Vs NISA |
| | 02:15 p.m. | 11 | NEROCA FC Vs TRAU FC |
| 14-02-2020 | 12:15 p.m. | 12 | AIM Vs MUVANLAI |
| | 02:15 p.m. | 13 | SSU Vs GSC |
| 15-02-2020 | 12:15 p.m. | 14 | AFC Vs NACO |
| | 02:15 p.m. | 15 | DMRAO Vs YUFC |
| 16-02-2020 | 12:15 p.m. | 16 | UKB Vs YPHU |
| | 02:15 p.m. | 17 | NEROCA FC Vs SU |
| 17-02-2020 | 12:15 p.m. | 18 | AIM Vs NISA |
| | 02:15 p.m. | 19 | SSU Vs TRAU FC |
| 18-02-2020 | 12:15 p.m. | 20 | AFC Vs MUVANLAI |
| | 02:15 p.m. | 21 | NACA Vs GSC |

২শুবা ও এন ৱাই সী ট্রোফি ২০২০

# য়ং বোইজ, বি এস য়ু অমদি সেক্তা (বি) মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩১(ঐচএনএস):
ওক্সু নীংথেমচা খুল য়ুথ ক্লবনা শীন্দুনা ও এন ৱাই সী গ্রাউন্দদা চথুরিবা '২শুবা ও এন ৱাই সী ট্রোফি ২০২০'গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা য়ং বোইজ পুখাওনা ইমোইনু (বি) য়াইঙংপোকপীবু পাঞ্জল ৩-০দা, বি এস য়ু নোংপোক ককচিংনা এন এন সী কে এ নোংগ্রেনবু পাঞ্জল ২-১দা অমসুং সেক্তা (বি)না ও এন ৱাই সী (এ)বু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা য়ং বোইজ পুখাও অমদি ইমোইনু (বি) য়াইঙংপোকপী লম্বা তৌনখি। মেচ অসি য়ং বোইজনা ইমোইনু (বি)বু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীবা ঙমখি। য়ং বোইজগী পাঞ্জল চনখিবা শান্নরোয়শিং অদুদি টি ঐচ দিজেন জর্সি নম্বর ১৯, এন সনাথোই জর্সি নম্বর ১৪, এল নাওবা জর্সি নম্বর ১২না পাঞ্জল অমমম চনখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা এন এন সী কে এ নোংগ্রেন অমসুং বি এস য়ু নোংপোক ককচিং লম্বা তৌনখি। মেচ অসিদা বি এস য়ু নোংপোক ককচিংনা এন এন সী কে এ নোংগ্রেনবু পাঞ্জল ২-১দা থোইখি। মেচ অসিদা পাঞ্জল চনখিবা শান্নরোয়শিং অদুদি বি এস য়ু নোংপোক ককচিংগী মায়কৈদা দল্লীয়ু কান্তা জর্সি নম্বর ১৯না চনখি। অদুগা এন এন সী কে এ নোংগ্রেনগী মায়কৈদগী সি ঐচ কম্মান্দর জর্সি নম্বর ৪না চনখি।

অহুমশুবা গ্রাউন্দদা সেক্তা (বি) অমসুং ও এন ৱাই সী (এ) লম্বা তৌনখিবদা সেক্তা (বি)না ও এন ৱাই সীবু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীখি। সেক্তা (বি)গী পাঞ্জল চনখিবশিং অদুদি ৱাই কিতরসেন জর্সি নম্বর ৯না পাঞ্জল ২ অমসুং এস ভিম জর্সি নম্বর ১৬না পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখি।

১০শুবা নেসনল ভোবিনাম চেম্পিয়নশিপ ২০২০

# মণিপুরগী ভোবিনাম টিমনা মেদল ৪৬ ফংদুনা টিম চেম্পিয়ন ওইরে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩১(ঐচএনএস):
গুৱাহাটিগী অনন্দদা থা অসিগী ২৭তগী হৌদুনা পাঙথোকপা '১০শুবা নেসনল ভোবিনাম চেম্পিয়নশিপ ২০২০'দা মণিপুরগী ভোবিনাম টিমনা গোল্ড ৩৮ অমসুং সিলভর ৮ পুন্না মেদল ৪৬ ফংদুনা টিম চেম্পিনয় ওইরে। পনবা য়াই, হন্দক্কী টিম চেম্পিয়ন অসি থারগা মণিপুরগী টিমনা চেম্পিয়ন মশান্না অসিগী ওইনা ১০রক শুবনি।



চেম্পিয়নশিপ অসিদা মেদল লৌরকখ্রবা শান্নরোয়শিংঅদুদি জুনিয়র কাংলুপ্তা সুরঞ্জয় (৬০ কে জি)না গোল্ড, রঞ্জন (৬৬ কে জি)না গোল্ড, ঐচ সঞ্জিৎ (৭৩ কে জি)না সিলভর, সী ঐচ রোজিয় (৪৪ কে জি)না সিলভর, লেয়ান্দা (৪৮ কে জি)না গোল্ড, এন জি রঞ্জিতা (৫০ কে জি)না গোল্ড, লন্দাবী (৫০ কে জি)না গোল্ড, এন বন্তি (৬২ কে জি)না সিলভর অমদি চীনমুনকিম লৌভুম (৬২ কে জি)না গোল্ড মেদল লৌখি।

সিনিয়র কাংলুপ্তা এস বিরসন (৫০ কে জি)না গোল্ড, প্রদিপ (৯০ কে জি)না গোল্ড, পুসপা (৪৮ কে জি)না গোল্ড, ঐচ ওমিতা (৫২ কে জি)না গোল্ড, ঐচ হেনা (৬০ কে জি)না গোল্ড, সর্তাজ (৪৪ কে জি)না সিলভর অমসুং এস নেহা (৫৬ কে জি)না গোল্ড লৌবা ঙমখি।

সব জুনিয়র কাংলুপ্তা এল অনালক (৩৬ কে জি)না সিলভর, অবোই চিরু (৪০ কে জি)না গোল্ড, এম চীংখৈঙানবা (৪৫ কে জি)না গোল্ড, দল্লীয়ু সনাথোই (৫২ কে জি)না গোল্ড, বি নিসিতা (২৮ কে জি)না গোল্ড, এল মেরিনা (৩২ কে জি)না গোল্ড, বিদ্যারানী ৱাহেংবম (৩৬ কে জি)না গোল্ড অমসুং মালিকা মহাতব (৪৬ কে জি)না গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি।

# দাইমন্দ খল্লকপদা হরাওবা ফোঙদোরক্লি



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩১(ঐচএনএস):
ওরিষাগী কে আই আই টি ভুবনেশ্বরদা লাক্লিবা ফেব্রুৱারী ২১দগী হৌদুনা ২৪ ফাওবা চথুগদবা 'অহানবা খেলো ইন্দিয়া য়ুনিয়ভর্সিটি গেমস ২০২০'গী ফেন্সিং মশান্নদা শরুক য়ারুনবগীদমক গ্রিন রিভোল্যুসন সাইক্লিষ্টকী টুপ লিদরসু ওইরিবা থাংজম দাইমন্দ মৈতৈবু খল্লকপদা গ্রিন রিভোল্যুসন সাইক্লিষ্ট টিমনা হরাওবা ফোঙদোরক্লি।

মহাক খুরাই নান্দৈবম সলাম্থোংদা লৈবা থাংজম সোমোরেন্দ্রোগী মচানুপানি। হৌজিক মহাক দি এম কোলেজ সাইন্সতা ফর্ষ্ট সেমিষ্টর তম্লিবা মহৈরোয়নি।

# ঐচ বিরো এন্দ ব্রোজেন ফুটবোল টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩১(ঐচএনএস):
মোইরাং মল্টিপর্পোজ হায়র সেকেন্দরি গ্রাউন্দদা চথুরিবা ৪শুবা ঐচ বিরো এন্দ ঐচ ব্রোজেন মেমোরিএল ষ্টেট লেভেল অন্দর-১৩ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা অমোফা একাদেমিনা টি য়ু সিবু পাঞ্জল ৩-০দা থোইখ্রে। অমোফাগী পাঞ্জল চনখিবশিংদি লালবোইনা ২, রাজনা অমা চনখি। ৱাই এস য়ু সীনা পি ঐচ দি ওবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে।



HL-B/5952/24dec-10Feb.



HL-P/4570/19-28jan.



HL-B/5837/29nov to 27jan

BUSINESS LOAN AVAILABLE
(Rs. 1 Lakh to Rs. 20 Lakh) 12% P.A.

1. Grocery Shop, Electronic Shop, Gold Shop, Hotel and Fast Food Shops, Cloth Shops, Chicken and Feed Shops, Cosmetic Shop. Wholesaler Shop and any types of Business Loan available.
2. Agri & Horti items:- Fish Farmer, Mushroom Farmers, Vegetable Farmers, etc.
3. Pension Loan available:- 1%,1.5%,2%,2.5%&2.75%
4. Machinery Items (Stone Crusher, Carpentry Machine, Flex Printer, Embroidery related Equipment, Incubator, Beverage শেম্নবা Machine, Car Wash Machine Set, Iron Soldering Machine, Workshop Equipment , Rice Mill

N.B.:- Manipur গী মফম খুদিংমক্তা লৈবা থবক ফংদ্রিবা মীওই খুদিংমক অমসুং মরুওইনা নৌনা Business তৌনিংবা অমসুং হান্না মপুং ফানা তৌদুনা লৈরীবা নহারোলশিংদনা হেন্না খুদোংচাবা পীজগনি।

DOFSERA At LG MOTORS BUILDING (2nd FLOOR)
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI (HQ), IMPHAL
Mob : 8794748661/9383154085 Office Hour: 10:00 am - 04:00 pm.
HL-B/6002/30/1-2/4

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com